# আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ্তা ইংলেন্দনা অফগানিস্তানবু রন ১৫০দা থোইখ্রে, বংলাদেশনা ৱেষ্ট ইন্দিসপু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে



মেনচেষ্টর, জুন ১৮ (এজেন্সী)ঃ
ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা য়ুম্বু ওইমিন্নদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্বু ইংলেন্দনা অফগানিস্তানবু রন ১৫০দা থোইখ্রে, ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদনা বংলাদেশনা ৱেষ্ট ইন্দিসপু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি মেনচেষ্টর সিটিদা লৈবা ইমিরেটস ওল্ড ট্রাফোর্দ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ইংলেন্দনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুনা অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩৯৭ লৌখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ইয়োন মোর্গাননা য়াম্না ফজবা মওংদা শুপ্পগী বোল ৭১দা সিক্স ১৭ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ১৪৮ লৌবা ঙমখি। ওপনর জোনি বর্সোনা বোল ৯৯দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৯০ লৌখি। অহুমশুবা বেটচমেন জো রুটনা বোল ৮২দা সিক্স ১ অমসুং ফোর৫ য়ৈরগা রন ৮৮ লৌরম্বা য়াম্না মরু ওই। লোয়নননা ৭শুবা বেটচমেন মোইন অলিনা আউট ওইদনা শুপ্পগী বোল ৯দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ১ য়ৈরগা রন ৩১ লৌরমখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইংলেন্দনা সিক্স ২৫ য়ৈদুনা ৱর্ল্ড কপকী মেচ অমদা সিক্স য়াম্না য়ৈবগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মমাঙদা কুমজা ২০১৫ ৱর্ল্ড কপ্তা ৱেষ্ট ইন্দিসনা জিম্বাৱেগা শান্নবদা মেচ অমদা সিক্স ১৯ য়ৈদুনা রেকোর্দ থম্লম্বনি।

ইংলেন্দনা ৱিকেট ৬ তুরগা ওভর ৫০দা রন ৩৯৭ লৌদুনা অফগানিস্তানবু মেচ অদু মায় পাক্লনা রন ৩৯৮গী টার্গেট থল্লমখি।

অফগানিস্তানগী মায়কৈদগী ওভর ৫০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৮৭ খক লৌদুনা মেচ অদু মখোয় রন ১৫০দা মায়থীহৌবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেচমেন হসমাতুল্লা সাহিদিনা বোল ১০০দা রন ৭৬ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙলম্বা বেটচমেনশিং অদুদি রন ৪৬ লৌখিবা রহমত সাহ, রন ৪৪ লৌরম্বা অজগর অফগান অমসুং রন ৩৭ লৌরম্বা কেপ্টেন গুলবদিন নাইবনি।

ঙরাং টোটো সিটিদা লৈবা দি কুপ্পর এসোসিয়েটস কাউন্টি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৱেষ্ট ইন্দিস অমসুং বংলাদেশকী মেচ অদুদা বংলাদেশনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকপা ঙমখি।

মেচ অদুগী টোস বংলাদেশনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ৱেষ্ট ইন্দিসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩২১ লৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিসকী মায়কৈদগী ৩শুবা বেচমেন সাই হোপনা রন ৯৬ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ওপনর ইবিন লেৱিসনা বোল ৬৭তা রন ৭০ লৌদুনা টিম অদুগী অপুনবা স্কোরদা চাওনা মতেং পাংখি। ৱেষ্ট ইন্দিসকী মায়কৈদগী অতোপ্পা শীংথাবা য়াবা স্কোরশিং অদুদি রন ৫০ লৌরম্বা সিমরোন হেটমর অমসুং বোল ১৫দা রন ৩৩ লৌরম্বা কেপ্টেন জেসন হোল্ডরনি।

মায় পাক্লনবা রন ৩২২গী টার্গেটদু বংলাদেশনা ৪২ শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ খক তুরগা লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৩শুবা বেটচমেন সকিব অলহসন আউট ওইদনা বোল ৯৯দা ফোর ১৬ য়ৈরগা রন ১২৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ইনিংস ওইখি। মহাক্তা নত্তনা ৫শুবা বেটচমেন লিতোন দাসনা বোল ৬৯দা রন ৯৪ লৌরম্বা অদুসু পনবা য়াই। ওপনর তামিম ইগবালনা রন ৪৮ লৌখিবা অদুসু টিম অদুগী মরু ওইবা স্কোর ওইখি।

| Teams | Mat | Won | Lost | Tied | NR | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|
| England | 5 | 4 | 1 | 0 | 0 | 8 |
| Australia | 5 | 4 | 1 | 0 | 0 | 8 |
| New Zealand | 4 | 3 | 0 | 0 | 1 | 7 |
| India | 4 | 3 | 0 | 0 | 1 | 7 |
| Bangladesh | 5 | 2 | 2 | 0 | 1 | 5 |
| Sri Lanka | 5 | 1 | 2 | 0 | 2 | 4 |
| West Indies | 5 | 1 | 3 | 0 | 1 | 3 |
| South Africa | 5 | 1 | 3 | 0 | 1 | 3 |
| Pakistan | 5 | 1 | 3 | 0 | 1 | 3 |
| Afghanistan | 5 | 0 | 5 | 0 | 0 | 0 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৭

১) কুমজা ১৯৭১-৭২দা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চীফ পেট্রোন (Chief Patron) ওইখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৩০ (1930)গী মতমদা SHEFFIED SHIELD গী টুর্নামেন্টতা Donald Bradmanনা শরুক য়াবদা নোংমগী মেচ ফি (Match Fee) কয়ানো?

৩) ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকপদা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা স্কুল ওজা মরি, ঙা লল্লোনবা অমা, এদভরটাইজিং মেনেজর অমা, সেলসমেন অনী, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা হৈকোল শেম্বা নুপা অমা য়াওরকখি। করম্বা চহীদা টিম অদু ইন্দিয়াদা লাকখিবগে?

৪) অঙাং লায়েংবগী অফাওবা ডাক্তর অমা ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমনা কুমজা ১৯৪৫দা অঙাংশিংবু চেকশিন থৌরাং লৌনবা লাইরিক অমা ইদুনা কোপি মিল্লিয়ন ২৫ হেন্না য়োনখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চাইনা জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপন টেবল টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী ব্রোঞ্জ অনী ফংখ্রে



টাইকাং, জুন ১৮ (এজেন্সী)ঃ
চাইনাগী সিটি টাইকাংদা পাঙথোকপা চাইনা জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী জুনিয়র বোইজগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মনুস সহা অমসুং জুনিয়র গর্লস দবলসতা ইন্দিয়াগী স্বাস্টিকা ঘোস অমসুং প্রাপটি সেনসু ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা চাইনা জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র বোইজ কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মনুস সহানা ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি টি এফ) জুনিয়র সার্ক্যুট গোল্ডন সেরিজগী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী টাকেরু কসিৱাবু য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখিবা মেচ অদুদা গেম ৪-৩দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌরবা মতুং মরীশুবা রাউন্দদা কোরিয়াগী শান্নরোয় য়িক মান পোবু গেম ৪-২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মনুস সহানা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী অতোপ্পা শান্নরোয় য়ুটো অবেবু মায়থীবা পীদুনা মেদল রাউন্দ ওইরিবা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অদুবু সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মনুসনা চাইনাগী শান্নরোয় কায়ুন ক্বানগা লম্বা তৌনরকপদা ষ্ট্রেট গেম ৪দা ৪-১১, ১০-১২, ৭-১১, ৪-১১দা মায়থীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমহৌদবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র দবলসকী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী পেয়র স্বস্টিকা ঘোস অমসুং প্রাপটি সেন গ্রুপ ষ্টেজদা সাউথ কোরিয়া, চাইনিজ টাইপৈ অমসুং স্বিদেনবু মায়থীবা পীরবা মতুংদা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু চাইনাগা লম্বা তৌনবদা গেম ০-৩দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ ফংহৌবনি।

# ঝরখন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

কটক, জুন ১৮ (এজেন্সী)ঃ
ওরিষাগী কটক্তা লৈবা বরাপতি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো সব জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী সেমি ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ঝরখন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি ঝরখন্দগী টিমনা বিহারগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২ শোখরল্লগা ফুগৎপা ঙল্লবা মতুং পাঞ্জল ৩-৩দা লৈনখিদুনা পেনাল্টি কাউনবদা ঝরখন্দনা ৪-৩দা সেমি ফাইনেল মেচ অদু থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেচ অমদা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং গুজরাটকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী তালো অনানা হেটট্রিক ফংখি। অদুগা টিমমেট সিমরন জিবানা পাঞ্জল অমা চনখি।

মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু তালো অনানা ৬শুবা মিনটতা চনখি। মদুগী মতুং টিমমেট সিমরন জিবানা ২২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা গুজরাটকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা পুখৎলকপা এটেকশিং অরেম্বা তাখি। মেচকী ৭৩ অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা টুর্নামেন্ট অসিগী পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙল্লিবা তালোনা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ৪-০দা থোইখি।

# চিলিনা জপানবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা গ্রুপ 'সি'দা উরুগ্বেগা লোয়নননা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি



সাউ পাউলো, জুন ১৮ (এজেন্সী)ঃ
ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'সি'গী মেচ অমদা চিলিনা জপানবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা উরুগ্বেগা লোয়নননা মকোক্তা লৈমিন্নখ্রে।

জপানগী টিম কোপা অমেরিকা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা কটারগা লোয়নননা এসিয়াগী ফুটবোল টিম অনী ইনভাইট তৌখিবদা শরুক য়াখি। ঙরাং অথেংবগী মেচ অদুদা হৌরকপগী পুংখাই অমরোম চিলি অমসুং জপানগী শান্নরোয়শিং লম্বা মান্না শান্নরকখি। অদুবু শান্নবগী ১৯ অমসুং ২১ শুবা মিনটতা জপানগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অনী ফাউল তৌরুবদা মেচ অদুগী রেফরিনা য়েল্লো কার্দ উৎতুনা বুক তৌখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা চিলিগী মায়কৈদগী পুশিল্লখিবা এটেক অমদা চার্লেস অরানগুইনা খাইরকখিবা বোল অমা টিমমেট ইরিক পুলগারনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা জপানবু মখোয়না ১-০দা হেল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১০ ফাদ্রিঙৈদা চিলিগী মায়কৈদগী মখা তাবা এটেক অমদা মোরিসিয়ো ইস্লানা পীখিবা পাস অমা ইদ্বারদো ভরগাসনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা জপানবু মখোয়না হেন্দুনা লৈখি।

জপানগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়গী শান্নরোয়শিংনা বোল পুশিন্নবা লাক্লবদা চিলিগী দিফেন্দরশিং অদুনা য়াম্না হৈশিংনা ঙাকথোক্তুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী ৮২ শুবা মিনটতা চার্লেস অরানগুইনা পীখিবা বোল অমা টিমমেট এলেসিস সাঞ্চেসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্কোর বোর্দতা চিলিগী পাঞ্জল ৩ লৈখি। থংনবা মিনটতা এলেসিস সাঞ্চেসনা য়াম্না ফজবা বোল অমা খাইদোরকপদা টিমমেট ইদ্বাদোর বর্গসনা পাঞ্জল চন্দুনা জপানবু মখোয়না ৪-০দা থোইখি।

# ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসিন অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





লন্দন, জুন ১৮ (এজেন্সী)ঃ
মালেমগী টেনিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না লিরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কুইন্স ক্লব চেম্পিয়নশিপকী ১১৬শুবা এদিসনগী অহানবা রাউন্দদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকনা চিলিগী সি গরিনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেটতা সিলিক্না য়াম্না হেন্দুনা গরিনগী সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌরগা ৬-১দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা চিলিগী গরিননা য়াম্না ফজবা লম্বা পীরক্তুনা মারিন সিলিক্না গেম ১২ লোইশিল্লকপদা ৬-৬ লৈনদুনা টাইব্রেক শান্নখি। মারিন সিলিকনা টাইব্রেক্তা পোইন্ট ৭-৫তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী স্বার্টজমেনগা লম্বা তৌনগনি।

স্বার্টজমেননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা কজাকস্তানগী এ বুব্লিকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচম অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী দি মেদবেদেবনা স্পেনগী ফরনান্দো বর্দাস্কোবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসননা গ্রেট বৃটেনগী সি নোরিবু ৪-৬, ৭-৬ (৭-৫), ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় জে ৱার্দপু ৩-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৭-২)দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী গাইলস সাইমোনগা লম্বা তৌনরগনি। ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোয় নিকোলাস মাহুটনা য়ু এস এগী এফ তিয়াফোবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৫)তা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

# জমাইকানা হোন্দুরসপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে এল সলবাদোরনা কুরাকোবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে



কিংষ্টন, জুন ১৮ (এজেন্সী)ঃ
য়ু এস এ, কোষ্ট রিকা অমসুং জমাইকানা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাংদগী হৌখিবা কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা গ্রুপ 'সি'গী ওইনা মেচ অনী শান্নবদা য়ুম্বু জমাইকানা হোন্দুরসপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচতনা এল সলবাদোরনা কুরাকোরবু ১-০দা থোইখ্রে।

কিংষ্টনগী ইন্দিপেন্দেন্স পার্কতা লৈবা নেসনল ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্বু লৈবাক জমাইকা অমসুং হোন্দুরস লম্বা তৌনখি। হৌরকপদা জমাইকাগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা এটেক কয়া হোন্দুরসকী মায়কৈদা চথখি। ১৫ শুবা মিনটতা জমাইকাগী দেবর ওর্গিলনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা হোন্দুরসপু মাংজিল থাখি।

হাফ অদুগী মখা তারকপা পুংখাই অমরোম টিম অনীমক লম্বা মান্ননা থেংনখ্রবা মতুং জমাইকাগী এটেক অমদা ব্রিয়ান রাউন্না পীখিবা পাস অমা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দেবর ওর্গিলনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা হোন্দুরকসকী মায়কৈদগী অলবর্ট ইলিসনা পীখিবা পাস অমা এন্তোনি লোজানোনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা ১-২দা লৈখি। অদুবু জমাইকাগী শান্নরোয়শিংনা ৫৬ শুবা মিনটতা পিটর লি বাসিলিগী পাস অমদা দামিয়োন লোনা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি। শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা হোন্দুরসকী ইমিলিয়ো ইজাগুইরিনা পীরকপা পাস অমা রুবিলিয়ো কাষ্টিলোনা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবসু জমাইকাগী পাঞ্জল ৩ হন্দোকপা ঙমদনা ২-৩দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'সি'গী অতোপ্পা মেচ অমদা এল সলবদোর অমসুং কুরাকোরগী লম্বদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরক্লবা মতুং হাফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা এল সলবাদোরগী মায়কৈদগী নেলসন বোনিলানা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাফতা কুরাকোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী এল সলবদোরনা ১-০দা থোইখি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ১ জপানগী নাওমি ওসাকা বিরমিংঘম ক্লাসিক টেনিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে





বিরমিংঘম, জুন ১৮ (এজেন্সী)ঃ
ইংলেন্দগী বিরমিংঘম সিটিদা লৈবা এগবাষ্টন প্রায়োরি ক্লবতা পাঙথোকপা বিরমিংঘম ক্লাসিক টেনিস টুর্নামেন্টতা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী জপানগী নাওমি ওসাকা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

৩৮লক শুবা বিরমিংঘম ক্লাসিক টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা জপানগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ নাওমি ওসাকানা গ্রিসকী শান্নরোয় এম সকারিবু ৬-১, ৪-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা কজকাস্তানগী ৱাই পুতিনসেবগা লম্বা তৌনরগনি।

পুতিন সেবানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় ঐচ দার্টপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-১, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রেট বৃটেনগী জোহানা কোন্তানা ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্তাভেটপু ৬-৪, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্টাপেনকোগা লম্বা তৌনরগনি।

ওস্টাপেনকোনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা পোলেন্দগী ইগা সিৱাটেকপু ৬-০, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি।

ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্তিকনা অহানবা রাউন্ট মেচতা রসিয়াগী ই এলিজান্দ্রোভাবু ৬-৩, ৭-৫তা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী এম গাসপারিনগা লম্বা তৌনরগনি।

গাসপারিননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ জর্মনিগী জুলিয়া গোরগিস অমসুং রসিয়াগী ই রোদিনা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা থেংনরগনি। গোরগিসনা য়ুক্রেনগী য়াস্ত্রিমস্কাবু অদুগা রোদিনা ফ্রান্সকী লাদেনোবিসপু থোইরমখি।